**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভল্লানা ঙসি নৌনা শেমগৎলবা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনসতগী অতৈ জিলাশিংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেনগদবা বস ১২ লমথাখ্রে, জিলা মরিগী ত্রান্সপোর্ট ওফিস হাংদোকখ্রে।

২) মণিপুর থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগী য়েংলগা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

৩) মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন তিনিংফম মোন্সাংনা সমাজ অসিদা ড্রগ সমস্যাশিং হেনগৎলক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।

৪) ককচিং খুনৌদগী ময়াংলম্বম রিসিকান্টা মীহাৎকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ইন্দো-বরমা রোড থিংজিনবা য়াওনা খোঙজং কয়া চংশিনখ্রে, জে.এস.সি শেমখ্রে।

অমসুং

৫) দাবোসতা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমদা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ  রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভল্লানা ঙসি নৌনা শেমগৎলবা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস (আই.এস.বি.টি)দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেনগদবা বস ১২ লমথাখ্রে।

খুম্মন লম্পাক্তা লৈবা আই.এস.বি.টি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা রিকম্মিসন তৌবগী থৌরম অদুদা জিরিবাম, নোনে, ককচিং অমদি ফেরজোল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসশিংসু রাজ্যপালনা ভারচুয়েল ওইনা হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস অসি নৌনা মথৌ তৌদুনা রাজ্য অসিগী জিলাশিং শমহনবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী অতৈ রাজ্যশিংগসু শমহনদুনা হেন্না নকশিন্নহল্লগনি। রাজ্যপালনা হায়- নৌনা লম্বীশিং অসিদা বস চেল্লকপা অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন অমসুং লল্লোন ঈতিক্তা থবক্তা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মহাকা হায়- টর্মিনস অসি ইং কুমজা ২০১১ দা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচানবগীদমক হৌদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট)-অনুরাগ ভাজপায়, ট্রান্সপোর্ট দিরেক্তর খুমনথেম দাইনানচিংবা শরুক য়াখি। আই.এস.বি.টি. ইম্ফাল নৌনা অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎলকপগী অতেনবা ফিল্ম অমসু মীয়ামদা উৎতুনা য়েংহনখি অমদি আই.এস.বি.টি. অমুক হন্না মথৌ পাঙথোকবা হোৎনবদা কৎথোক্তুনা মথৌ পাঙথোকখিবা বিভাগশিংগী কর্ম্মচারিশিংসু হরাউ তয়ামা ওক্তুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

গনতন্ত্র (এল)ঃ  ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন অশোই অঙাম য়াওদনা থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা অমদি থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুল রিহারসেলগী য়েংলগা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিং মণিপুরগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- তাং ২৪ অমসুং ২৬ তা লম্বী চৎথোক চৎশিনগী অথিংবা অসি অয়ুক পুং ৭ মখায়দগী হৌরগা থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি।

চেরোল অদুনা হায়- লিলোংরোমদগী শিংজমৈ তমা লাকপা হেভি ভেহিকলশিং পিশুমথোং লোমদা নাথৈদুনা চৎখিগনি। মোইরাংখোম লোমদগী

লাকপা গাড়িশিংনা কৈশামথোং থোংলোমদা থৈদুনা চৎখিগনি। ময়াংইম্ফাল লম্বীদগী কৈশামপাৎ জঙ্কসন তমা লাকপা গাড়িশিং তিদিম লাইন নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাইরোমদা থৈখিগনি। কোইরেংগেদগী খোঙনাং অনি কারক তমা লাকপা গাড়িশিংনা দিংকু রোড নত্রগা এসেমব্লি লম্বীরোমদা থৈখিগদবনি। ইম্ফাল ইষ্টতগী শঞ্জেনথোং অমসুং মীনুথোং তমা লাকপা গাড়িশিং লমলোং থোং, লোক্লাউবুং, থোম্বুথোং অমসুং শিংজমৈ থোং লোমদা থৈদুনা চৎখিগনি। উরিপোক-কাংচুপ রোডতগী ফ্লাই ওভর ব্রিজ অমসুং বি.টি রোড তমা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাল লোমদা থৈখিগনি। নিউ কছার রোডলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাল নত্রগা কৈশামপাৎ লোমদা থৈখিগনি। তিদিম লম্বীদগী কৈশামপাৎ জঙ্কসন তমা লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নত্রগা ময়াংইম্ফাল লম্বীদা থৈদুনা চৎখিগনি। খোয়াথোংদগী এল.আই.সি ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিং নাগামপাল লোমদা চৎখিগদবনি। খুমন লম্পাক অমসুং এম.এম.টি.এদগী নোর্থ এ.ও.সি ক্রোসি তমা লাকপা গাড়িশিংনা এম.এম.টি.এ ক্রোসিং লোমদা থৈদুনা মীনুথোং লোমদা চৎহনখিগনি।

কম্মিসন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং নুংথং তম্পাক য়ুথ ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী শামুলমলান ব্লোক্কী মনুং চনবা নুংথং তম্পাক খুলদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা ড্রগ এব্যুস অমসুং এদিক্সন থিংনবা হোৎনবদা নুপীশিংবু শক্তি পীবা হায়বসিগী মতাংদা সেন্সিতাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন তিনিংফম মোন্সাং, কম্মিসনগী মেম্বর সোফিয়া মোয়োন অমদি এস.দি.ও শামুলমলান জোনাথন কোম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি তিনিংফম মোন্সাংনা ঐখোয়গী সমাজ অসিদা ড্রগ সমস্যাশিং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মসিবু থেংনবা অমদি ঙাকথোকবা হোৎনবদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়খি। মহাকা হায়- মণিপুরদা ড্রগ শিজিন্নদবা ইমুং মনুং অমসুং

জাতি কাংলুপ শেমগৎনবা হোৎনবদা নুপীশিংবু শক্তি পীবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং খুনৌদগী ময়াংলম্বম রিসিকান্টা মীহাৎকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমসুং খুকম্পল টু ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা ঙসি লমজাউদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী খুনাই কনবা মৈরা পায়বী লুপ ককচিংগী জেনেরেল সেক্রেতরি আর.কে. লক্ষমি দেবীনা হায়- লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি সরকারনা অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা ময়ুম মকে থাদোক্লগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিং অথুবদা ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনগদবনি।

মীহাৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ককচিং খুনৌ লমখায়দা ইন্দো-বরমা-শুগনু রোদ থিংদুনা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা জে.এ.সি শেম্বগা লোয়ননা মীহৎ অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। কেস অসি এন.আই.এদা শিন্নদুনা থিগৎনবা দাবীসু তৌখি। দাবীশিং অসি থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি লমদম অসিদা লৈরিবা সি.এস.ওশিংগা পুন্না খোঙজং কয়ামরুম চংশিল্লগনি হায়না জে.এ.সিগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

রিসিকান্টাগী মীহাৎ অসিবু কোকোমি, ফোক্স, অমুকো, অপুনবা মণিপুরগী ইমা অমদি তকদালনচিংবা সংস্থানশিং খোঙজং অসিদা শরুক য়াদুনা জে.এ.সিনা চংশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শরুক য়াগনি হায়রি।

কাংপোকপী (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসকা খুৎশমদ্না অহল ওইরবা মীওইশিংগীদমক এ.ভি.ৱাই.এ.ৱাইগী মখাদা ইদুকেসনেল কেম্পেন জিলা অসিগী কংগুই খৃষ্টান কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চহি ৬০ গী মথক্তা লৈরবা অহলশিংনা য়োজনা অসিগী মরমদা নিংথিনা খঙবগী তঙাইফদবা অদু পনখি। অহল ওইরবা মীওই ৬০ হেনবনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি অমদি খুদোলপোৎ পীখি।

ফেরজোল (এল)ঃ  ৩৭ শুবা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থ ফেরজোল জিলাগী থানলোন, তিপাইমুখ অমসুং বঙ্গাই রেঞ্জদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রোদ সেফতি, লাইফ সেফতি হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অশোই অঙাম থোক্তনবা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোকখি। থাবুম অমা চথ্নগদবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎপা, লন্বী চৎলিবা মীয়ামদা লন্বীগী খুদোংথিবা থোক্তনবা পোষ্টর অমদি হোর্দিং থেৎপনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসকা খুৎশমদুনা অহল ওইরবশিংগীদমক লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা সেনভোন খুলদা পাঙথোকখি। বেতি বচাও, বেতি পরাওগী মখাদা অঙাংশিংগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

জিরিবাম (এল)ঃ  ৩৭ শুবা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থকা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণক্মারনা লমথাখিবা বাইক রেল্লি অদু মীওই ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু জিরি থোংদগী হৌরগা কিলোমিতর ৪ রোম চৎলবা মতুং বাবুপারাদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা লোইশিনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থকী মরুওইবা অদু ফোংদোকপগা লোয়ননা লন্বীদা চৎলিবা মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেন্নবগীদমক চেকশিনবা হায়বসি য়াম্মক তঙাইফদে হায়খি।

তমেংলোং (এল)ঃ ৩৭ শুবা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থ্কা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোং, জেদ.ই.ও তমেংলোং অমসুং দি.টি.ও তমেংলোংনা শিন্দ্না শরক সুরক্সা অভিয়ান হায়বা হিরমদা জিলা থাক্কী লাইয়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখ্রে। লাইয়েকপা চাংদমবা অদুদা ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলগী ক্লাস এলেভেন তল্লিবী মহৈরোই গুৱাংজিয়ানলু পামৈনা অহানবা তাখি।

থাবুম অমা চখৎগদবা থৌরমগা মরী লৈননা ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোকখি।

জেএনভি (এল)ঃ জৱাহরলাল নবোদিয়া বিদ্যালায়া (জে.এন.ভি) উখ্রুলনা মোদেল য়ুথ গ্রাম সভা ২০২৬ কী অহুমসুবা পোজিসন ফংবা ঙমলে। স্কুল অসিগী মহৈরোই ১০ রোমা গ্রাসরুট দেমোক্রেসি, লিদরসিপ অমসুং পার্তিসিপেটরি গভর্নান্সকী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন উৎখি।

জাতি থাক্কী রেঙ্কিংদা জে.এন.ভি উনা হিমাচল প্রদেশনা অহানবা, অমসুং জে.এন.ভি কন্নুর কেরলানা অনিসুবা তাখি। প্রোগ্রাম অসি লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা লাকপা জে.এন.ভি ৬১৯ অমসুং একলব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল ২০০ রোমা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। শরুক য়ারিবশিংগী মনুংদা জে.এন.ভি ৬১৯ গী মনুংদা ৬০৯ অমসুং একলব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল ২০০ গী মনুংদা ১৭৫ পঞ্চায়ট নিরনৈ পোর্তেল মপুং ফানা দোক্কুমেন্টেসন তৌবা লোইখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৮,৭৭৩ শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা ঙসি ক্বাক্তাদা লৈবা ক্বাক্তা সেরিকলচর প্রিফেব্রিকেতেদ হাউস রিলিফ কেম্পতা মার্কেট সেদ অমা শঙ্গাখ্রে। থৌরাং অসি আই.দি.পিশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা পান্দমদা পায়খৎলকপনি। মার্কেট সেদ অসিদা ষ্টোল ১৮ হাংলি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা চুরাচান্দপুর মৈতৈ য়ুনাইতেদ কমিতিগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়- অসিগুম্বা

থৌওং অসিনা আই.দি.পিশিং শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ষ্টেগ হোল্ডরশিংনা মতেং পাংবীনবা মহাকা আপীল তৌখি। আই.দি.পিশিংনসু সরকারনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংগী কান্নবা লৌনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা আপীল তৌখি। চহি ১৮ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা নহাশিংনা রাজ্য অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোস্পিতালিতি ত্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ানবা হায়রদুনা শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়- অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিনা মখোয়গী খুৎ-শা হৈবা হেনগৎহনবতা নত্তনা থবক ফংনবগী খুদোংচাবা অমসু ওইগনি।

ত্রেদ য়ুনিয়ন (এল)ঃ  কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফ্যারসনা ২০২৫-২৬ অমসুং ২০২৭-২৮ গী ওইনা লুপা ত্রিল্লিয়ন ১৭ লোমগী প্রোজেক্ট ৮৫২ রোম পাব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপ প্রোজেক্ট পাইপ লাইন চৎনহন্নবা লাউথোকখিবা অদুবু ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা, ত্রেদ য়ুনিয়ন অসিনা হায়- অনওর্গনাইজ সেক্তরগী শিন মীশিংদা থাগী খুৎশুমল লুপা লিশিং ২৬ তা লেপবা, মান্নবা থাক্কী মান্নবা খুৎশুমল পীবা, থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংগী য়েংলগা বিভাগশিংদা হাংদুনা লৈরিবা থবকশিং মেনশিন্নবা দাবী তৌরি।

বনিয়ান (এল)ঃ বনিয়ান রিপর্টরি থিয়েটরগী ৪২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ৱাংখৈ নিংথেমপুখ্রি মপালদা লৈবা থিয়েটর অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থিয়েটর অসিগী চেয়ারমেন মেঘচন্দ্র কোংবমনা থিয়েটর প্রদক্সন অমা তৌবদা করম করম্বা মচাকশিং য়াওহনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

ফিলম (এল)ঃ থা অসিগী ২৯ দগী মথং থাগী ৬ ফাওবা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদবা ১৭ শুবা বেঙ্গলুরু ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলদা রাকেশ

মোইরাংথেমনা দিরেক্সন পীবা মণিপুরী ফিচর ফিলম- ফৌওইবী দা গোদেস ওফ পেদ্দি ইন্দিয়ান কম্পিতিসন সেক্সন কেটাগোরিদা ওফিসিয়েল সেলেক্সন তৌরক্লে হায়না খোঙবানতাবম প্রদক্সনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ত্রম্প ঃ দাবোসতা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমদা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মোদি অসি য়ামা নকশিন্নবা মরুপনি হায়রদুনা ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ ষ্টেটসকী মরক্তা লল্লোন ঈতিক্কী মতাংদা য়ান্নবা অমা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোংদোকখি।

দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাফম অসি ৱাশিংটন অমসুং নিউ দিল্লিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক্কী মতাংদা মুকবা লৈরিবা অদু লোইশিন্নবা ৱারী শান্নরিবা অদুগী মরক্তা ফোংদোরকপনি।

ঝারখন্দ ঃ ঝারখন্দগী ৱেষ্ট সিংভুম জিলাদা নক্সলাইটশিংগী মথক্তা চথখিবা চাউনা মায় পাকপা ওপরেসন অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মাওইষ্ট ১০ হাৎখ্রে। ঙসি অয়ুক সরন্দা উমংদা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং সি.পি.আই মাওইষ্টকী মরক্তা খুৎথোকবগী থৌদোক্তা মখোয়শিং অদু লৈখিদবনি। শিরবশিংগী মনুংদা মাওইষ্ট লুচিংবা পতিরাম মানঝি য়াওরি। গিরিধি জিলাদগী মীওই অসি লুপা কোতি ১ গী মনা পুরিবা মীশকি। পতিরাম মানঝি মাওইষ্টকী ইহৌদা চহি ২০ হেন্না থবক তৌদুনা লাকপনি। মহাকা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাওইষ্টকী থবক থৌওংশিং পাকথোক চাউথোকহনখি অমদি মহাক সেক্যুরিতি ফোর্সতা এটেক চথুবা, আই.ই.দি পোখায়হনবা, মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেসশিংদা চেন্নবা মীওইনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং কেরলাগী তিরুভনন্তনাপুরমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম হৌদোক্কনি অমসুং প্রোজেক্ট খরা শানবা যাত্রা হুনগনি।

কেরলাগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি হয়েং রাজ্য অদুদা থুংগনি। মহাকা রেল, অরবান লাভলিহুদ, সাইন্স অমসুং ইনোভেসন, সিতিজন সেন্ট্রিক সার্ভিসেস, হেলথ কেয়ারনচিংবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনগদবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গাগনি। তিরুভনন্তনাপুরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংগনি। মহাকা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি ৩ অমসুং পেসেঞ্জর রেলগাড়ি ১ পুন্না রেলগাড়ি ৪ লমথাংগনি। সহরদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা প্রধান মন্ত্রিনা পি.এম. সভানিধি ক্রেদিৎ কার্দ হৌদোক্কনি। মহাকা কেরলাগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং য়াওনা বেনিফিসরি লাখ ১ রোমদা পি.এম. সভানিধি লোন খুৎশিন্নগনি।

তিরুভনন্তনাপুরমদা সি.এস.আই.আর-এন.আই.আই.এস.টি ইনোভেসন, টেকোলোজি, অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ হব শানবা যাত্রা হুনগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ  ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মিলন এফ.এগা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা- ফুটবোল ক্লব কুন্বীনা ইম্ফাল এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে, অদুগা এন.এম.এফ.এগা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিভ এদল্ট এসোসিয়েসনগা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ফুটবোলঃ  দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৯ শুবা দি.এস.এ ককচিং ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি কৈরকনা এস.এফ.সি শোরাবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ ৩ শুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মোহেন এফ.সি ৱাংগোইনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা তুরনামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ কে.সি.সি. কপ খুরাইগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কাংলৈ কোদস কোংপালনা ৱাই.দব্লিউ.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা নো লুক্স কৈখুনা ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি। কংলৈ কোদসনা এল.ৱাই.এল লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু রন ২২ দা, নো লুক্স কৈখুনা এল.ৱাই.এলবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ বিহারগী পাটনাদা লৈবা মোইন উল হক ষ্টেদিয়মদা চথরিবা রঞ্জি ত্রোফি প্লেট ফাইনেলগী বিহার অমসুং মণিপুরগী মেটচ ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নবা লোইবা ফাওবদা বিহারনা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩২৮ লৌরি।

পোলোঃ ২ শুবা ডাঃ কে.এস.ঐচ চৌরজিৎ ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট পোলো তুরনামেন্ট মথং থাগী ৮ দগী ১৪ ফাওবা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুরগী জিলা মঙাগী পোলো ক্লব ১০ না শরুক য়াগনি।

------